থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# লান অমদি শান্তি- থানবা য়াদবা অনীনি

ঙসি তমগদৌরিবা থম্মোয়গী পাউদমসি, কনাগুম্বনা তাবা হৈত্রবা, শোয়রোই শেরান্ননা চৎখিবা। পাউদম অসি তমগে খল্লকপা ঙসিখক নত্তে, মরী মঙানি শুরবনি। চপ চানা হেক হায়রবদা জুন ১৬ কী অয়ুক অঙনবদা, হেদলাইন, ন্যুজ ওইনা ফোঙখিবা 'মণিপুর থুগাইরগা কুকি ষ্টেট শেম্নবা কুকিশিংনা দিমান্দ তৌরি' হায়বা কেপসন অদু হেক পারুবা মীকুপতনি। মীকুপকী ওইবা খোয়রাঙ খোয়শাউনবা অমবুদি পোকখি খুদক্তুদা। অদুবু মীৎনা কুপ্পদা অমুক খন্থরকখি-ঐনা খোয়শাউনরুবগী করি কান্নবা? কুকি লালহৌলুপ খরনা, খুৎলায় থাদোক্তুনা, ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক অনীগা য়ানবা অমগী মখাদা 'লৈঙাক্কী-ৱাখৈ-ৱা' (পোলিটিকেল সোল্যুসন) অমা পুরক্কবা ৱারী শানবা, মখোয়গী অপাম্বা ফোঙদোকপা-করি কায়বগে? নিংঙাই চাউবা মচানা-মপাদা নিংঙাই তৌদবৈ মপানা মচাগী অপাম্বা করিনো হংবদা মচা'না 'তোংজৈ মরীন্দা লীৎহল্লু' হায়বদুবু করি লানবগে? ওইথোক্লরোইদবা দিমান্দ তৌই হায়দুনা অঙাংদু ফূরুবদা কান্নবা ফংগদ্রা? ঙম্মী হায়দুনা ফূরুনি-তোংজৈ মরীন হায়বসিনা করিনো? শামু হায়বসিনা করিনো? খঙদবদু খঙহনবদি ঙল্লরোই। নিংঙাই অদু থেমঙল্লোই কোন্না অমুক তৌরক্কনি।

হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংমক, অচৌবদৈ মচাফাও' লৈঙাকসিগী মফমদা নিংঙাই চাউবা মচা'ঙাক্তনি। লৈঙাকসিনা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা দিমান্দখক্তনি লৈঙাকসিদা থাঙ্গৎলিবা। দিমান্দশিংদুসু মাগী মাগী মরন্নাই ওইবা ইন্টরেষ্ট'তা। অপূনবগী ওইবা ইন্টরেষ্ট অমত্তা নত্তবা। অমনা অমবু থাজনদবা, অমগী মৱা অমনা লৌনদবা, কায়রবা য়ুম্বান অমগী উন্নবদা তীন সীৎনরবা মীকোক অমমমগুম।

হেক্তা নাখে শেংনা পূক্লিং তিংনা হায়নসি। নাগা, কুকি, মৈতৈ, পাঙল-লমসিগী মরুওইবা ফুরুপ মরী- 'মণিপুরী' হায়বা ৱাহৈসিনা অমত্তা ওইনা কোনশিন্নবা হোৎনবা, মায় পাক্লবরা? পাক্তবরা? ইশানা ইশাদা হংবীয়ু। থাজৈ- চপ মান্নবা খুন্নক্কনি- মায় পাক্ত্রে! মতম কয়াগী মমাঙদগী 'লাইনিং লম্বী'না মচেৎ তারক্লিবনি খন্নরম্বা ৱাখল্লোন অদু লাল্লক্লে। হৌজিক হৌজিক্কী ওইবা অশাবা ইস্যুদি 'ত্রাইবেলশিংবু নন-ত্রাইবেল (মৈতৈ) শিংনা নমথবীরে, মখোয়গী হক মৎপীরে, মখোয়গী চাকথুং মুন্ননবা হোৎনরে' হায়বসিনা মরুওইবনি। হান্নদগী হায়দুনতা লাক্লবা ৱাহৈ, মতমদুদনা কাঙলুপ-লুচিংবশিংনা হায়রম্বা, ঙসিনা মীয়ামগী খোল্লাউ ওইরকপা, অদুগী খেৎনবদুগুম্বনি। তৌনরিবসি কম্ম্যুনেল পোলিটিক্স'নি। মণিপুরদা লৈরিবা' পোলিটিসিয়নশিংগী মরক্তা কম্ম্যুনেল পোলিটিক্স তৌদবা মৈতৈ পোলিটিসিয়নখক্তনি। তৌদবগী মরমসু-মৈতৈ মীয়াম্মা য়াদবদগীনি। কাঙলুপসিবু কম্ম্যুনেল লাইন'দা হুমদুনা পুবা লুচিংবা ঙসি ফাওবা থোক্লত্ত্রি। হয়েং হংচিৎসু থোক্লক্লোই। মরমদি মৈতৈ হায়বা ফুরুপসি মৈহৌরোলদগী হৌরগা ঙসি ফাওবা ৱাখল তাবা ময়াম্বা অমগী লীচৎ (বিগ ব্রদরলি এত্তিচ্যুদ) অদু উৎতুনা হিংলকপনি হায়বসি ৱাখল তাদে হায়নরিবা ৱাইল্ড ওইবা এজিটেটরশিং- মমাঙগী অকনবা ঈহৌ কয়াদা হিংমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী থম্মোয় শোকপা য়াবা থবক অমত্তা তৌখিবগী রিপোর্ট লৈখিদে। কম্ম্যুনেল মোতিভ অমগা লোয়ননা, চথুরকপা এটেক'তা ঈংনা-চিক্লা 'ঐখোয় অমত্তনি' পাউখুম্লুবা, ৱাহং হল্লি মখোয়না, 'পাঙদবগী লীচৎনি'।

ৱাফম অমত্তা পাউদমজগে। চুম্মী লাল্লি হায়বীরক্কনু। অচুম্বদুনি পাউদমজরিবা। করপসনগী মকোননি হায়নরিবা লৈঙাক্কী লোয়শঙ-শিনশঙশিংদা শেল চারিবা ওফিসরশিং-মৈতৈ, ত্রাইবেল, পাঙল- চপ মান্নে, শেল-চাবা-অঙম্বা! শেল চাবা হায়বসি ওফিসর ওইবগী মচৎনি-খল্লি পীরিবা মীনসু।

অদুবু, মৈতৈ ওফিসর অমনা চীংগী ওফিস অমদা থবক অদু তৌরুচো- মফমদুগী মীয়াম্মা করি হায়বা তাবীয়ু, করি তৌবা য়েংবীয়ু। শেল পীজবা (করপসন তৌবা) হায়বা থবক্তু য়াদবা, মখোয়গীদমক লৈঙাক্না পীবা চাকথুংদু নিয়ম চুন্না তৌসি হায়রুবা কিষন অমদি মাগী খোঙলোয় রাজেন-তোকেনগী মফমদা করি ব্যবহার উৎলকখি? উ য়ানবা চৎখিবা শিন্মীশিং-মরম পীদ' হাৎখিবা, কনানসু লমন খুমখিদে, মৈতৈ কাঙলুপ'তা শিংনবনি হায়খিদে। খুদম অনীখক পীজবগী ৱাতনি, চীংদনা থবক মফম ওইরিবা মৈতৈ-থৌমীশিংদা লন্নাই ওইনা হংবীয়ু, তাক্লক্কনি, 'কয়ামুক তোন্থনা মীকিথী অমগুম থবক শুরিবা'।

এন্টি মৈতৈ ওইবা ফিলিং অসি কয়ামুক কনশিনহনখ্রবা য়েংবীয়ু-লৈবাক্কী লো ফাওবা মৈতৈশিংগী য়েংদুনা শেম্বনি হায়গৎলক্লবনি, একাদেমীক দিবেট তৌসি হায়বা য়াদনা। হায়রবনি ইফোং ফোংনা, উৎলবনি থবক ওইনা-মৈতৈশিংনা মশা কনজনবা, মশাগী য়াইফনবা, ৱাখল খনবা য়ারোই, থবক তৌবা য়ারোই।

তমগে, নীংবা থম্মোয় পাউদমসি, শেরান্ননা খনবীনু, ঐখোয় মৈতৈ ফুরুপসু 'মীনা হৌবা য়াদে, হৌরক্লবদি শাথী' হায়বদু উৎপা মতম ওইরবরা? হায়বা ৱাফম অদুনি। খৎনসি, শিংনসি, হাৎনসি হায়বা নত্তে। খাঙবা কনবা হায়বসিগী ৱাহন-পাঙদবা অয়াম্বা নত্তে হায়বসি খঙহনবসু ফত্তবরা? লান হায়বসি শান্তি পুরক্লবগী তঙাইফদবা পান্থে অমসু ওইরে। মুক্লবা অমা লোইশিন্নবা চাংয়েং হায়বসিসু তঙাইফদবা অমনি।



লৌশিং পুক্কে

# অঙাংশিংবু লৈমায়দা অমোৎপা মরক্তা শান্নহনবগী কান্নবা

ৱাফম অসি মমা-মপা ওইবশিংগী মফমদা ঙক্লা থোকপা য়াই। অদুবু অখঙ-অহৈশিংগী মোত মতুংইন্না পীক্লিবা অঙাং খুদিংমক লৈমায়দা, অমোৎপা মরক্তা শান্নহনবগী কান্নবা কয়ামরুম লৈ হায়রি। পীক্লিঙৈদা অমোৎপগা শান্নরবদি তুংগী পুন্সিদা কান্নবা কয়ামরুম ফংই।

তৌবগীবুদি মচাশিংবু লু-নান্না অমসুং মখোঙ লৈবাক তাহন্দনা থম্বা হায়বসি মমা-মপা খুদিংমক্কী অপাম্বনি। অদুবু জোন হোপকিন্সকী রিছার্চরশিংনা হায়খি, পীক্লিঙৈদা অমোৎ-অকায় মরক্তা, লৈমায়থক্তা শান্নরবদি তুংদা অহল ওইরক্লগা এলর্জি, অজমা, ইনফ্লেমেটরি বাৱেল দিজিজ (আই বি দি), ওবেসিটি অমসুং দাইবেটিসনচিংবা লায়নাশিং নারকপা য়াবগী রিস্ক হন্থে। মরমদি অঙাংশিংনা অমোৎপা মরক্তা শান্নবা মতমদা মখোয়গী ইম্যুন সিষ্টেম মপুং ফানা শেমগৎলকই। তরু-তনানবা ইমুংদা য়োকপা অঙাংশিংগা য়েংনবা মতমদা খুঙ্গংগী লৌবুক-লমহাংদা য়োকপা অঙাংশিংনা এলর্জি তৌবগী চাং হন্থে হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

রিছার্চরশিংনা হায়খি, লৈবাক অমসুং লৈহাওদা কান্নরবা মিনরেল কম্পোনেন্ট কয়ামরুম য়াওবা প্রোব্রাইটিকনা ইন্টেষ্টাইন ফহনবগা লোয়ননা দাইজেষ্টিভ সিষ্টেম মথৌ নীংথিনা তৌহল্লি। মরম অদুনা লুবা-নানবগী মরক্তা অঙাংশিংবু লৈখোম লৈনাং মরক্তা শান্নহনবগী তঙাইফদবা লৈ। করিগুম্বা মতমদা খোঙউপ লৌথোক্লগা লৈখোম মরক্তা শান্নহনগদবনি। মসি হায় হায়দুনসু অঙাংশিংবু লু-নানবগী হৈনবী লৈহনবা মথৌ তাই। চারম-থক্লমদাই, নৎত্রগা অমোৎ-অকায় পায়রুরবা মতুং অমসুং টোইলেট চঙলুরগা খুৎ-শা শেংনা হামদোকহনগদবনি।

জর্নেল ওফ এলর্জি এন্দ ক্লিনিকেল ইম্ম্যুনোলোজিদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমনা হায়খি, মশাগী চহী ১ শুদ্রিবা অঙাংশিংনা অমোৎপা মরক্তা শান্নবগী কান্নবা কয়ামরুম লৈ। রিছার্চরশিংনা বোষ্টোন, ন্যুয়োর্ক অমসুং সেন্ট লুইদা লৈবা অঙাং ৪৬৭ কী মওং মতৌ কুপ্পা য়েংশিল্লবা মতুংদা ৱাফম অসি খঙলকপনি।

রিছার্চরশিংনা চহী অহুম চুপ্পা অঙাংশিং অদুগী ফীভম য়েংশিনবগা লোয়ননা এলর্জি টেষ্ট তৌখি অমসুং ময়ুমগী অকোয়বদা লৈবা অমোৎ-অকায় মরক্তা য়াওবা বেক্টেরিয়াসু য়েংলম্মী। অমোৎ-অকায় মরক্তা চাউরকপা অঙাংশিং তুংগী পুন্সিদা এলর্জিগী খুদোংচাদবা মায়োক্লদে হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙলকপনি।

চাউখৎলকপগী মতুংইন্না য়ুমথোঙ খুদিংমক তরু-তনান্না, মহীক-মতাই চেন্দবা মওংদা লৈনরে। অদুবু হীরম খুদিংমক্তা হেঞ্জিনবা ফৎতবগুম কা-হেন্না লু-নানবগীসু কান্নদবা লৈ। নুমীৎ চুপ্পা তরু-তনানবা ইমুংদা মোন্দুম-মোন্তেম মরক্তা য়াওনদুনা লৈবা মীওইশিংদগী লৌবুক কুমদুনা লৈখোম-লৈনাং মরক্তা ইংখোল কোয়বশিংনা পুন্সি শাংবা হেল্লি।

মহীক-মতায় হাৎনবনি হায়দুনা এন্টিবেক্টেরিয়ল সোপ, এন্টিবেক্টেরিয়ল স্প্রে অমসুং দিসইনফেক্টেন্ট য়াওবা শীৎ শেংনবা পোৎলম কয়া পুথোরক্লে। হায়রিবা পোৎলমশিং অসিগী মতেংনা মহীক-মতায় কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙল্লেদি হায়ববু এলর্জি, ওটো ইম্যুন প্রোব্লেম অমসুং ইন্টেষ্টাইনদা নাবগী চাংদি ৱাংখৎলক্লে।

ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মহীক-মতায় হাৎনবা পোৎলম কয়া শীজিন্নবদগী হকচাংদা কান্নবা অফবা বেক্টেরিয়া কয়াসু শিখিবা মরম্না এলর্জি অমদি দাইজেষ্টিভ প্রোব্লেমগী চাং ৱাংখৎলকপনি।

লন্দনগী রোয়েল মার্সদেন হোস্পিটালদা ওনকোলোজিষ্ট ওইবা মেরি ও' ব্রাইননা হায়খি, মীওইবা খুন্নাইনা চাউখৎপগী থাক ৱাংখৎলকপগী মতিক মল্টিপল স্কলেরোসিস, টাইপ-ৱান দাইবেটিস, ইনফ্লেমেটরি বাৱেল দিজিজ, অজমা অমসুং এলর্জিনচিংবা ইম্যুন সিষ্টেম দিসওর্দরগী চাং ৱাংখৎলক্লে।

পুন্নমক অসিদগী ঙসি ঐখোয়না শীজিন্নরিবা মহীক-মতায় হাৎনবা মচল য়াওবা শীৎ-শেংনবা পোৎলমশিং অসিনা কান্নবা পীবদি লায়রদনা মীওইবা খুন্নাইদা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইহল্লে। মরম অদুনা পীক্লিবা অঙাংশিংবু লৈখোম লৈনাং মরক্তা শান্নহনবগী কান্নবা কয়ামরুম লৈ হায়না মাইক্রোবাইওলোজি অমদি ইম্যুনোলোজিগী ইন্সট্রক্টর মেরি রুবশনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, বোষ্টোনগী টফটস মেদিকেল সেন্টরদা গ্যেষ্ট্রোইন্টরোলোজি এন্দ হেপাটোলোজিগী দিরেক্টর ওইবা ডা. জোল ভি ৱিনষ্টোকনা হায়খি, পোক্লকপা মতমদা মীওইবগী ইম্যুন সিষ্টেম অসি প্রোগ্রাম তৌদ্রিবা কম্প্যুটরগুম্বনি। মরম অদুনা ইম্যুন সিষ্টেমবু প্রোগ্রাম তৌদুনা লায়না তীন্না কয়াদগী ঙাকথোক্লবগী মতাংদা তাকপী তন্বীবা মথৌ তাই।

য়ুনিভর্সিটি ওফ আইওৱাগী গ্যেষ্ট্রোইন্টরোলোজিগী অমদি ইম্যুনোলোজিষ্ট ডা. দেবিদ এলিয়টনা চথখিবা ষ্টদি অমদগীসু তরু-তনানবা ইমুংদা য়োকপা অঙাংশিংদগী মরক মরক্তা লৈখোম লৈনাং কুমদুনা শান্নহনবা অঙাংশিংনা নাগন্দে হায়বা খঙলকখি।

জর্নেল ওফ অমেরিকান মেদিসিনদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি, মমাগী খোন্নাংদা আইরন মরাং কায়না য়াওদবা মরম্না খোন্নাং থক্লগা হিংলিবা অঙাংদা আইরন মপুং ফানা ফংহনবা ঙমদে। অদুবু অঙাংশিংনা লৈমায়থক্তা ওন-থোইনা শান্নবা মতমদা মহৌশাগী ওইবা পান্থে অমনা আইরন লৌশিনবা ঙম্মী। পুন্নমক অসি ওইদুনসু অঙাংশিংবু মতম চুপ্পা অমোৎ অকায় মরক্তা থাদোক্তুনা শান্নহনগদবা নত্তে। লৈমায়দা ঙাইহাক শান্নহল্লবসু মখুৎ মশা নীংথিনা হামদোকপীগদবনি অমসুং শেংনা ঈরুজবীগদবনি।



# মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরীবু লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙলকপা থাগৎনিংঙাইনি : আর কে ঝলজিৎ

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) ঃ

বি টি রোদতা লৈবা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরী লিংখৎখিবগী ৬৬ শুবা নীংশিং থৌরম ঙসি লাইব্রেরী অসিদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্না লাইব্রেরী অসিবু শেমগৎ-শাগৎনবা পূক্নিং চঙলকপদা পদ্মশ্রী আর কে ঝলজিৎনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

নীংশিং থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নার কাংজম রাধাকুমারনা থৌরম মপু অমদি পদ্মশ্রী আর কে ঝলজিৎনা অথোইবা মীথুং ওইখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরীগী অরিবা লাইরিকশিংগী ওইবা ইগজিবিসন অমসু হাংদোকখি।

অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা আর কে ঝলজিৎনা হায়খি, মণিপুরদা পব্লিক লাইব্রেরী এক্ট চৎনহন্নবা এসেমব্লীদা পাস তৌখ্রবসু ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্না থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদবদগী লাইব্রেরীগী ঈহৌ থিন্থদুনা লাক্লি। লাইরিক-লাইশুগী মঙাল ফংলবা অহলশিংনা অচঙবা শেনফম পুথোক্তুনা লিংখৎখিবা লাইব্রেরীশিং ঙসিসু হিংদুনা লৈরি। মখোয়গী হোৎনজমল অসিবু মণিপুর লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীদুনা থা ৩ লোমগী মমাঙদা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরী মণিপুর লৈঙাক্না লৌশিন্দুনা শেমগৎ-শাগৎলগনি হায়বসি নুংঙাইবা পাউ অমনি। লৈঙাক অমসুং লমদমসিগী মীয়াম্মা ফন্দামেন্টেল রাইট খঙলবসু দ্যুটিদি খঙনা শীজিন্নদ্রি। অনীমক পুন্না চৎমিন্নরবদি হিরম খুদিংমক্তা মায় পাকপা ঙমগনি হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার কে রাধাকুমারনা হায়খি, মালেমগী লাঞ্জাও অনীদগী ঙসি ফাওবা হিংদুনা লাক্লিবা লাইব্রেরী অসি ঙসিদি লৈঙাক্না লৌশিল্লবসু পব্লিক লাইব্রেরী এক্ট ইমপ্লিমেন্ট তৌদবনা থবক পায়খৎপদা মতম খরদি চঙলগনি।

হৌজিক লৈরিবা লাইব্রেরী অসিগী অরিবা বিল্ডিং নৌনা শাগদ্রা নৎত্রগা প্রিজাব তৌদুনা থমগদ্রা হায়বগী মতাংদা কুপ্পা খন্নরি। মীয়ামগী লনবু ঙাক-শেন্দুনা থম্বদা মেনেজমেন্ট অমদি ট্রান্সপরেন্সি লৈবা মথৌ তাই হায়খি।

থৌরম অদু পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরী কষ্টদিয়ান কে চাওবনা হায়, কুমজা ১৯৩৩ গী এপ্রিল ১৯ দা হুইরোংবম অতুলচন্দ্রনা জুবেন্টি মেমোরিএল লাইব্রেরী কৌবা অমা নাওরেম লৈকায়দা লিংখৎলম্মী। কুমজা ১৯৩৪ দা উরিপোক চক্রিকোমদা নোংমৈকাপ্পম গোপালনা ইম্ফাল পব্লিক লাইব্রেরী লিংখৎতুনা মদুগী মমিং মথং মথং ওল্লক্তুনা ঙসিদি মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরী হায়না খঙনরি। লাইব্রেরী অসি ওইরক্লবা হোৎনবদা ষ্টেট দরবার অমদি মণিপুর লৈঙাক অনীগী মরক্তা চয়েৎনবা কয়া থোকখি। চয়েৎনবা কয়াদুগী মরক্তা ঙসি চহী ৬৬ শুজিল্লক্লে। লোয়ননা লাইব্রেরী অসি হেন্না চাউখৎননবা মণিপুর লৈঙাক্না লৌশিল্লকপা অসিসু লমদম অসিগী লাইব্রেরীগী ঈহৌদা চাউনা মায় পাকপা অমনি হায়খি।



# কলাচান্দ শাস্ত্রি অতাঙবা মীশকনি : গৌতম পোল

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস) ঃ

সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দিল্লি অমদি নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটি, ইম্ফালনা শীন্দুনা চীঙ্গাংবম কলাচান্দ সিংহ শাস্ত্রিগী পুন্সি অমসুং থবক হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা ঙসি দেব লিটরেচর সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

সেমিনার অদু হৌদোকপগা মরী লৈননা সাহিত্য একাদেমী কোলকটাগী এসিষ্টেন্ট এদিটর গৌতম পোলনা হায়খি, মণিপুর অসি আর্ট অমসুং কলচরদা চাউখৎপগা ইরোয়ননা লোয়নসিল্লোনগী লমদসু চাউখৎলক্লিবা ষ্টেট অমনি। ষ্টেটসিগী মশক নাইরবশিংগী মনুংদা কলাচান্দ শাস্ত্রি অসিসু তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা তোমথিন ঙানখিবা মীশক অমনি। মহাক্কুম্বা অমা ফংজবা হায়বসি লমদম অসিগী লাইবক ফবনি।

গৌতম পোলনা মখা তারদুনা, শাস্ত্রি অসি সংস্কৃত স্কোলার, এদ্যুকেনিষ্ট, দ্রামাটিষ্ট অমা ওইবগী মথক্তা কংলৈ লোয়নসিল্লোনগী মশক নাইবা মীশক অমনি। স্কুল অমসুং কোলেজগী ওজা অমা ওইনা পুন্সি লেল্লকখিবা শাস্ত্রি মহাভারত ৱারীগী মণিপুরীদা ট্রান্সলেসন তৌদুনা ভোল্যুম ৩৭ ফোঙলমখি। মহাক্কী থবক অসিবু শিংথারদুনা একাদেমী অসিনা ট্রান্সলেসন এৱার্দসুপীখি। মহাকপু তুংগী মীরোলনা নীংশিংনবা নৈনবা হায়বসি তঙাইফদবা থবক অমনি হায়খি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা সাহিত্য একাদেমী মণিপুর লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দকী কনভিনর হুইরেম বিহারী, নহারোল সাহিত্য প্রেমী, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট পোলেম নবচন্দ্রনচিংবনা ময়ায় তাঙবলদা ফমখি। অয়ুক অমসুং নুংথিল সেসন অনী থোক্না পাঙথোকখিবা কলাচান্দ সিংহ শাস্ত্রিগী পুন্সি অমসুং থবক হায়বা সেমিনার অদুগী মোদরেটর ওইনা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী খুমন্থেম প্রকাসনা ওইখি।

সেমিনার অদুগী মোদরেটর ওইখিবা খুমন্থেম প্রকাসনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা বামোন নত্তনা মীতৈশিংনা সংস্কৃত হৈবা য়াদে হায়বা চৎনবী থুগায়খিবা মীতৈ মচা অমনি। হিরম খুদিংমক্তা মাঙজিল থাবা এদ্যুকেসনিষ্টকী মরমদা নৈনবা হায়বসি মতাং চাই হায়খি। সেমিনার অদুদা অমুস্না শর্ম্মা, এলাংবম দিনমনি, পোলেম নবচন্দ্রনা অয়ুক্কী অমদি আই এস কাংজম, ডা. লনচেনবা মীতৈ অমদি নোংমাইথেম প্রেমচান্দনা নুংথিলগী সেসনদা চে পাথোকখি।





DIRECT & SPOT ADMISSION - 2016

MBBS,BDS,MDS,BAMS,BHMS,BPT, MPT,
NURSING : B.Sc NURSING, GNM,
PB-NURSING, MSc. NURSING

BE / B-TECH / M-TECH / LAT-ENTRY

CIVIL / EEE / MECHANICAL, ECE / IT / ARCHITECTURE
COMPUTER SCIENCE, MECHATRONICS,
ARONOTICAL/ROBOTIC

B. Sc. / M. Sc.

AGRICULTURE, HORTICULTURE, FORESTRY, FISHRIES

B. Sc., B.A. & M.A., M. Sc. & Ph.D.

PHY., CHE., ZOO., BIO., MATH., I.T., MASS COM, HIS., POL. Sc.,
ENG, ECO, GEPHY, GEO, SOCIOLOGY, FORENSIC Sc.

BBA, BCA, BIO-TECH, FOOD-TECH, BMLT, OPTHALMIC,
FOOD NUTRITION & DIETETICS, B.PHAM, D.PHAM,
MEDICAL MICROBIOLOGY, RADIOLOGY, TOURISM,
MASS COM, ART & SCIENCE, MLT, OT-TECH, RADIOLOGY,
DAILYSES, X-RAY, MRI, CARDIOLOGY, CT-SCAN, ETC.

PROGRESSIVE EDUCATIONAL COUNSEL
Singjamei Leishangthem Leikai opp. Library
SINGJAMEI - #9089335398 THOUBAL# 9089267407

HL-B/3128/7/06-0607



GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF TRANSPORT
NOTIFICATION
Imphal, the 20th June, 2016

**No. 1/8/Est/92/2014:** It is hereby notified for general information that the written test for appointment to various posts in Transport Department will now be held on 26th June, 2016 as per the following new schedule:

| SL No | Posts | Examination Centre | Timing | Syllabus | Marks | Duration |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Inspector (Mech) | Johnstone Hr. Sec. School, BT Road. | 11AM to 12.30PM | General English (50 marks) General Knowledge (50 marks) | 100 | 1.30 Hrs |
| 2 | ASI (Tax) | Johnstone Hr. Sec. School, BT Road. | 11AM to 12.30PM | General English (50 marks) General Knowledge (50 marks) | 100 | 1.30 Hrs |
| 3 | ASI (Enf) | Johnstone Hr. Sec. School, BT Road. | 11AM to 12.30PM | General English (50 marks) General Knowledge (50 marks) | 100 | 1.30 Hrs |
| 4 | Stenographer | Johnstone Hr. Sec. School, BT Road. | 11AM to 1.30PM | General English (50 marks) General Knowledge (50 marks) English Essay and Precis writing (50 marks) | 150 | 2.30 Hrs |
| 5 | SI (Tax) | Ibotonsana Hr. Sec. School, Uripok. | 11AM to 12.30PM | General English (50 marks) General Knowledge (50 marks) | 100 | 1.30 Hrs |
| 6 | SI (Enf) | Ibotonsana Hr. Sec. School, Uripok. | 11AM to 12.30PM | General English (50 marks) General Knowledge (50 marks) | 100 | 1.30 Hrs |

All the candidates are requested to be present at their respective centre along with their Admit cards on time including those candidates who have collected their admit cards in 2015.

Sd/- (H. Rosita)
Director (Transport), Manipur

HL-P/8921/22



OFFICE OF THE
MANIPUR UNIVERSITY OF CULTURE
Directorate of Art & Culture Complex
Palace Compound, Imphal - 795001

ADVERTISEMENT NO. 1
Dated : 21/06/2016.

No.: 1/6/2016-MUC(Lct), Applications on prescribed form are invited from Indian Nationals for filling up the following posts :

| Sl. No. | Subject | Name of the post Lecturers/ Asstt. Professor | Total |
|---|---|---|---|
| 1. | Languages (English and Manipuri) | a) 02 for English b) 02 for Manipuri | 04 |
| 2. | Culture and Culture Studies | a) 02 for Theory of Culture b) 01 for Culture Studies | 03 |
| 3. | Thang Ta | 04 | 04 |
| 4. | Umang Lai Haraoba | 02 | 02 |

Scales of Pay and Qualification : For all Posts

A. Lecturer/ Asstt. Professor
Pay Band : Rs. 15,600 - 39,100 plus Academic Grade Pay of Rs. 6000
(a) Essential :
Good academic record with at least 55% marks (or an equivalent grade in a point scale wherever grading system is followed) at the Masters Degree level.
(b) Desirable :
i) Ph.D Degree in the relevant subject
ii) Some teaching experience
(c) Preference will be given to the Candidate having knowledge in Manipuri Literature (Manipuri), English Literature (English), Culture Theory and Manipuri Culture (Culture Studies), Thang-Ta (for Thang-Ta Lecturers) and Umang Lai Haraoba (for Umang Lai Haraoba)

B. Instruction :
* The name of the post and subject must be written on the envelope of the application.
* In all cases two copies of application forms with all testimonials need to be submitted.
* Those in employment should submit their application through proper channel.

Application forms can be obtained from the University Office in the permises of Art and Culture Complex, Govt. of Manipur, Palace Compound, Imphal on payment of Rs. 100/- in cash during office hour between 11 a.m. and 3 p.m. The duly filled in application forms along with attested copies of certificates of educational qualifications and mark sheets , date of birth, experience and a fee of Rs. 400/- in cash should be submitted to the University during office hour as stated above on or before 30th June 2016.

N.B. i) Manipur University of Culture reserves the right not to fill up any or all the advertised posts due to administrative exigencies and no claim can be made against the same by any person applying to the post.
ii) The initial appointment for all the posts will be made purely on contractual basis.

By order & in the name of V.C
Registrar
Manipur University of Culture

HL-B/3145/22